হুয়েইয়েন লানপাও
HUEIYEN LANPAO




কৈসাম্পাৎকী নিত্যাইপাৎ চিথেক্তা লৈবা বি জে পি থম্বাল লোয়শঙদা পার্টি অসিগী চীফ স্পোকপার্সন সী ঐচ বিজয়না ইন্দিয়ানা মালেমদা কোভিদ ভেক্সিনেসন খ্বাইদগী য়াম্না কাপ্পা লৈবাক্নি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবা



অসাম রাইফল্স ফুন্দ্রে বট্টালিয়ননা আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা উনোপাট ভিলেজকী কম্যুনিটি হোলগীদমক সোলার লাইটশিং য়েন্থোকখিবা



কাদা বিষ্ণুপুর কম্মিটিগী টিম অমনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নিংথৌখোং প্রোজেক্ট গেটতা চথখিবা দ্রাইভতা য়াম্লবা য়ুডৌ অমসুং য়ুঙাঙ ফাগৎখিবা



রুমেন এক্সন ফোর দিভেলপমেন্টনা নিংঙোম্বম আইদিএল য়ুথ ক্লবকা খুৎশম্নদুনা পোক্সো, এক্ট অমসুং অতোপ্পা লিগেল মেকানিজমগী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবা

### কারোং অমদি উখুলদা লেন হৈথখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): এন এস সী এন (আই এম) গী লুচিংবা মুইভাগী পোক্লফম লমদম উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সোমদলদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম নোং য়াওবা লেন হৈথখ্রে।

নিংথমথাগী ইংলবা মতম অসিদা উখুল দিষ্ট্রিক্টকী সোমদল চীংগী অকোয়বদা লৈবা খুলশিংদা পাক-শন্না অখাক-অরাওগা লোয়নন্না লেন য়াওবা উন হৈথরকপদগী মীয়াম ইংবদগী ইমুংদা মৈ হৌরগা তীক্লখি। নোং য়াওবা লেন তাবা অদুনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন্দা খুরৌ থাংদুনা অপনবা ওইখি। অমরোমদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কারোংদসু ঙসি নুমিদাংৱাইরম লেন য়াওবা নোং হৈথরকপদগী মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি।

### সোলার লেম্প য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): অসাম রাইফল্স ফুন্দ্রে বট্টালিয়ননা আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ঙরাং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা উনোপাট ভিলেজগী কম্যুনিটি হোলগীদমক সোলার লাইটশিং য়েন্থোকখ্রে। আসাম রাইফল্সকী সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী শরূক ওইনা অমদি হৌজিক লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবগীদমক ভিলেজ কম্যুনিটি হোলগী সোলার লাইট ৮ য়েনথোকখিবনি হায়না ইনস্পেক্টর জেনরেল ওফ অসাম রাইফল্সকী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

### ইরেংবন্দ জি পিগী পঞ্চায়ট ঘর শেংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): থা অসিগী ৯দা হৌদোকখিবা সন্দে ইকো ক্লব, ইরেংবন্দগী এক্টিভিটিজ ওইনা ক্লব অসিগী ভোলন্টিয়রশিংনা ইরেংবন্দ সাবল লৈকায়দা লৈবা ইরেংবন্দ গ্রাম পঞ্চায়টকী পঞ্চায়ট ঘরগী অকোয়বদা লম-তু অমদি ইরম-নালা শেংদোকখ্রে। সন্দে ইকো ক্লব, ইরেংবন্দগী কোওর্দিনেটর ওক্রম বিমোল, এসিষ্টেন্ট কোওর্দিনেটরশিং ওইরিবা এল রতনকুমার অমদি এম মংলেমজাও য়াওনা মহৈরোয় ৪০ রোম্না শরুক য়াখি। লম-তু শেংবগী থৌরম অদু লোইরবা মতুংদা এ দি এ এমগী সেক্রেটরি সুর্জিৎ ক্ষেত্রিময়ুম্না রিসোর্ছ পার্সন ওইদুনা 'ইম্পোর্টেন্স ওফ সন্দে ইকো ক্লব' হায়বা হীরমদা ইন্টরেক্সন সেসন অমসু ইরেংবন্দ হায় স্কুলগী কেম্পসতা পাঙথোকখি।

### য়ু ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন অসিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা পামদবা থৌদোক ৱাথোকশিং থোকহন্দনবা ঈ সী আইনা পীরকপা পাউতাক অমগী মতুংইন্না, কম্মিস্নর এক্সাইজ গী অয়াবা মখাদা এক্সাইজকী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল নোদল ওফিসরগী টিম অমদি ইনফোর্সমেন্ট টিম থৌবল দিষ্ট্রিক্ট এক্সাইজ অনিনা ঙরাং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ককচিং লমখাইগী চাক হোটেলশিংদা চথবা দ্রাইব অমদা লোকেল মার্কেটতা লুপা লিশিং ২২ রোমগী ওইগদবা য়াম্লবা য়ুডৌ অমদি য়ুঙাং কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

ফাগৎলবা য়ুশিং অদু কম্মিস্নর এক্সাইজতা থীফম থোকপা ফাইনশিং থীহল্লবা মতুংদা দিস্পোজ তৌখ্রগনি। মতুংদা অসিগুম্লবা ময়াই কাবা পোৎলমশিং য়োনবগী থবক অসি তৌবিদনবা ইনফোর্সমেন্ট টিম লিদর ইনস্পেক্টর এস নিলকুমার অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেভেল নোদল ওফিসর পি রঞ্জিৎ অনীনা মীয়ামদা অপীল তৌরক্লি।

## মণিপুরগী পোলিটিকেল সিনারিও অসিদা বি জে পিনা সিট ৪০ কাগনি হায়বসি ওইথোক্লোইদবা অমনি : জয়কুমার

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): মণিপুরগী পোলিটিকেল সিনারিও অসিদা বি জে পিনা সিট ৪০ কাগনি হায়বসি ওইথোক্লোইদবা অমনি। এসেম্ব্লি কনষ্টিট্যুএন্সি অমদা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ৭-৮ লৈরগা করম্না সিট ৪০ কাগদৌরিবনো হায়না দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমারনা হংলক্লি।

ৱাফম অসি মথং থাগী ২৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট অসিগী অহানবা তাঙ্ককী জেনরেল ইলেক্সনদা ৬-কৈরাও এ সীদা মীরেপ ওইরিবা অলহাজ নাসিরুদ্দিন খান এলিয়জ বাবোইনা নৌনা নেসনল পিপল্স পার্টি (এন পি পি)দা য়াওরকপবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমারগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এন পি পিদা য়াওরক্লবা অলহাজ নাসিরুদ্দিন এলিয়জ বাবোইবু দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমার, পার্টি অসিগী ৱার্কি প্রসিদেন্ট এম এল এ, এল জয়ন্তকুমার, য়াইস্কুল এ সীদা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইরিবা ঐচ বিক্রমজিৎ য়াওনা পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা এন পি পিগী লেংয়ান ফি হুত্তুনা ওকখি।




থৌরম অদুদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমারনা মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী পুৱারীদা ১০শুবা মণিপুর এসেম্ব্লিগী জেনরেল ইলেক্সনদা কোংগ্রেস পার্টিনা সিট ৪২ কাখিবা অদুনা ঙসি ফাওবদা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না কাবা ওইরিবনি। মতম অদুদা কোংগ্রেস পার্টিনা সিট ৪২ ফংখিবা অদুমক মণিপুরদা এন এস সী এন (আই এম) গী লুচিংবা টি ঐচ মুইভা চঙহনখিদবা, লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ফত্তবা কন্ট্রোল তৌরকপদগী ঙমখিবনি। অদুবু হৌজিক পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদি এচিভমেন্ট অমত্তা লৈবসু নত্তে। এসেম্ব্লি কনষ্টিট্যুএন্সি অমদা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ৭/৮ লৈরগা করম্না সিট ৪০ য়ৌনা কাগদৌরিবনো। মদুগী মথক্তা হৌজিক ফাওবদা টিকেট পীথোক্ত্রি। অদুনা টিকেট লাউথোকপা মতমদা করম্না ভোট খোম্বা ঙমগদৌরিবনো হায়না বি জে পি পার্টিদা চাউনা শীংনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। লোয়ননা জন্যুৱারী ২৬কী মমাঙদা এন পি পিগী মেনিফেস্তো ফোঙনবা হোৎনরি। মতম অদুদা পার্টি অসিনা মীয়ামগীদমক তৌনিংবা থবকশিং খংলগনি হায়খি।

লোয়ননা অলহাজ নসিরুদ্দিন খান এলিয়জ বাবোইবু কৈরাও এ সীগী মীহুৎ ওইনা থাগৎলক্লবা এ সী অসিগী মীয়ামদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমারনা অপীল তৌখি।

এন পি পিগী মীরেপ ওইরগদবা অলহাজ নসিরুদ্দিন খান এলিয়জ বাবোইনা পার্টি অসিদা য়াওরক্লিবা অসিগী মতাংদা হায়খিবদা, পার্টি অসিনা চাওখৎ থৌরাংদা হেন্না মীৎয়েং থম্বা, য়ুথ ওরিয়েন্টেদ ওইবা অমদি ৱান নোথ ইষ্ট ৱান ভোইস হায়বা য়াম্না ফজবা ৱাখল্লোন থল্লকপা অসিদা থাজ দুনা পার্টি অসিদা চঙলকপনি হায়খি। করিগুম্বা জেনরেল ইলেক্সনসিদা মায় পাক্লবদি কৈরাও এসেম্ব্লি কনষ্টিট্যুএন্সিবু মোদেল এ সী অমা ওন্থোক্কনি হায়না এ সী অসিগী মীয়ামদা থাজবা থম্লদুনা হৌজিক সিটিং এম এল এ ওইরিবা রামেশোরনা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাং তৌবদা ৱাৎহৌবা কয়া মেনখৎনবা হোৎনগনি। লোয়ননা হন্দক্কী জেনরেল ইলেক্সন অসিদা এন পি পিনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা পার্টি অসিনা লৈঙাক শোয়দনা শেমগনি হায়বগী থাজবা থমখি।

## 'প্রি-বোর্দ এগজামিনেসন-২০২২ জন্যুৱারী ১৯দা পাঙথোক্লগনি'

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর রেকগনাইজ্দ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফেয়র এসোসিএসননা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা প্রি-বোর্দ এগজামিনেসন-২০২২ লাক্লিবা জন্যুৱারী ১৯দগী শূকশোয় শোয়দনা কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়র অমদি লৈঙাক্লা পীবা এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এন জয়কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, পাঙথোক্কদৌরিবা এগজাম অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা মেম্বর প্রাইভেট স্কুলশিংনা এসোসিএসননা পীবা গাইদলাইন অমদি লৈঙাক্কী এস ও পিশিং শুকশোয় শোয়দনা ইনবিগদবনি। মহৈরোয় অমগা অমগা ফিট ৬ শুকশোয় শোয়দনা লাপ্পবা খঙহনগদবনি। ক্লাস টেনখক্তগী মহৈরোয় লাক্কদবা ওইবনিনা স্কুলশিংনা কা মরাঙ কায়না থৌরাং তৌগদবনি। স্কুল ওথোরিটিনসু খুৎ-সা হান্সফম, টৌইলেট লূনা-নান্না, মরাঙ কায়না থৌরাং তৌবিগদবনি। মহৈরোয় নৎত্রগা মহৈরোয়গী ইমুং মনুংদা মশা নুংঙাইতবা, কোভিদনা নাবা য়াওরগদি স্কুল ওথোরিটিদা পাউ ফাওবিদুনা তোঙানবা থৌরাং তৌবিগদবনি। ওজাশিংনা য়ারিবমখৈ মহৈরোয়শিংগা নকশিন্নরোইদবনি। ওজা মরক্তা মশা নুংঙাইতবা, কোভিদ নারমগনি হায়না চিংনবা নৎত্রগা ওজা মশাগী ইমুং মনুংদা কোভিদ নাবা য়াওরগদি স্কুল ওথোরিটিদা পাউ ফাওবিদুনা এগজাম দ্যুটি য়াওবিরোইদবনি হায়না খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, এগজাম অসি য়াম্না মরুওইবা ওইবনা প্রাইভেট স্কুলশিংনা য়াম্না চেকশিন্না মওং-মরীল তানা পাঙথোক্কদবনি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসি ওমিক্রোন ভেরিয়ন্টনা ফিভম য়াম্না লুশিলহল্লত্তুনা পব্লিক এগজাম পাঙথোকপা য়াদবা থোক্লবদি প্রি-বোর্দ এগজামগী মার্ক অসিনা বোর্দতা থাগৎতুনা মহৈরোয়শিংগী প্রোমোসন পীরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মমাঙগী পব্লিক এগজামদসু অসিগুম্বা প্রি-বোর্দকী মার্ক অসিনা ঙাক্লৌ য়াম্না ওইখি হায়বগা লোয়ননা নুমিৎ অসিদা জে এ সী, মহৈরোয় লূপ অমদি সী এস ওশিংনা বন্দ-ব্লোকেদ তৌবিদনবা চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## মপোক নুমিৎ পাঙথোক্তুনা খোরিরোলগী মনা লান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): সাহিত্য সেভা সম্মিটি ককচিং-মণিপুরগী ৫৫শুবা মপোক নুমিৎ থৌরম ঙরাং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং ফৌসুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর, ককচিংগী মীপুনশঙদা পাঙথোকপগা লোয়ননা সমিটি অসিনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা লান্থোক্তুনা লাকপা খোরিরোলগী মনাশিং লান্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেলর প্রোফেসর নোংমাইথেম রাজমোহোননা অথোইবা মীথুং, সাহিত্য সেভা কম্মিটি ককচিং মণিপুরগী প্রসিদেন্ট য়েংখোম কেংবনা থৌরম মপু অমসুং মণিপুর লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমি ন্যু দেল্লীগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

সাহিত্য সেভা সম্মিটি, ককচিং-মণিপুরনা ঙসি লান্থোকখিবা মনাশিং অদুদি য়াম্বেম সাত্যনা কৎপা দ্রামা অমসুং এসেগী লাইরিক্তা পীবা 'য়াম্বেম মণি সাহিত্য মনা-২০২১' গী ওইনা 'মুকয়েৎনবা দ্রামা মরি (৪)' হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা বুদ্ধা চিংথাম, ইম্ফালদা পীখি। য়েন্দ্রেম্বম তবোপিনা কৎপা, নোভেল অমসুং শোর্ট ষ্টোরিগী লাইরিক্তা পীবা মনা 'য়েন্দ্রেম্বম সুরলাতা পুরস্কার'না 'উশিল' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগীদমক ট্রিপুরাদগী এল বিরমঙ্গোলদা খুৎশিন্নখি। য়েংখোম কেংবনা কৎপা, শৈরেংগী লাইরিক্তা পীবা মনা 'চিঙ্খু মোইরাংলৈমা নিংশিং কবিদাস মনা' না 'ঈ তৈরবা থাবল' গী অইবা ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম, হৈরোক্তা খুৎশিন্নখি। কে এস ঐচ চাউবনা কৎপা অতোপ্পা লোন্দগী মণিপুরীদা হন্দাকপা লাইরিক্তা পীবা 'কে এস ঐচ চাউবা ট্রান্সলেসন এৱার্দ' না 'অঙৌবা চিঠি খাউ' লাইরিক্কীদমক লাইরিক অসিগী অইবা নাউরেম বিদ্যাশাগর, কাসারদা লৈবদা খুৎশিন্নখি। কে এস ঐচ বিরনা কৎপা মণিপুরগী মপান্দা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখ্রবা মণিপুর অইবা/অইবীদা পীবা মনা 'কে এচ ঐচ নলিনি সাহিত্য মনা' না 'থম্মোয়সু মরোল লোল্লি' লাইরিক্কী অইবী মোইরাংথেম সোবিতা, বিনাকান্দি পার্ট ১, কাসারদা লৈবিদা খুৎশিন্নখি।

মনাশিং অদুদা ইন্নফি অমসুং শকখঙ-চে অমমম অমদি শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০-১০ য়াওরি। মনাশিং অদু ঙসিগী অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংনা খুৎশিন্নখি।

## অমেস্কোনা হিয়াংথাং কবুই খুলদা গান-ঙাই পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিও-কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অমেস্কো)না লীশাং শীৎনা পাঙথোরকপা থৌরমশিংগী মনুং চন্না ঙসি হিয়াংথাং কবুই খুলদা গান-ঙাই থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না অমেস্কোগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি দব্লিয়ু দিপুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।



চেরোল অসিনা হায়, পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা অমুসনা কামৈ (পাখং-ফান মকোক), অহঞ্জাও কামৈ (পাখং-ফান মকোক), হিয়াংথাং মমাঙ লৈকায় মৈরা পায়বীগী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ থোইবী, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বীগী জেনরেল সেক্রেটরি ইমা অপাবী, ওল মণিপুর রুমেন ভোলন্টিয়র ওর্গনাইজেসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস রোমিতা, কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটকী চ্যেরমেন ফুলিন্দ্রো কোন্সন অমসুং অমেস্কোগী ভাইস প্রসিদেন্ট এল ইবোতোম্বীনা থৌরম মপু ওইখি। থৌরম অদুদা খুলগী মরুওইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা গান-ঙাই থৌরম অসি কবুই অমসুং মীতৈ অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মচিল-মনাও ওইবগী লংলা অদু হেন্না চেৎশিন্নহনবগা লোয়ননা মণিপুরদা খুদারিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশি-চান্নবা অমদি হেন্না ফবা খুন্নাই অমা ওইহনবগী পান্দমদা অমেস্কোনা পাঙথোকচবনি। মসিদা নত্তনা য়েলহৌঙৈদগী লৈমিন্নরক্লবা মীতৈ অমসুং কবুই অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরিবু উৎপা ফুঙ্গা ৱারী শিংবুল অমসুং খম্বা-থোইবীগী ৱারীদা কাউফদ্রবা কবুই সলাং মাইবগী ৱারীনচিংবা কয়াদা উৎলিবা মরী অদু অসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিনা হেন্না চেৎশিন্নবা লংলা অমনা চেৎনা পুনশিল্লে।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা পোৎ লান্নবগী থৌরম অমসু পাখং-ফান অমসুং লৈশা-ফানদা অমেস্কোনা খুদোল তম্বনা ঙসিগী মরুওইবা থৌরম ওইখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## নিংথৌখোং প্রোজেক্ট গেটতগী য়ুঙাং অমসুং য়ুডৌ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ্স এন্দ অলকোহোল (কাদা)না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক মরু ফংনা মুত্থৎনবা চঙশিল্লকপা খোঙজঙশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নিংথৌখোং প্রোজেক্ট গেটতা কাদা বিষ্ণুপুর কম্মিটিগী টিম অমনা চথখিবা দ্রাইভতা য়াম্লবা য়ুডৌ অমসুং য়ুঙাঙ ফাগৎতুনা মাঙহনখ্রে হায়না কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম অনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, য়ুডৌ অমসুং য়ুঙাঙ য়োল্লম্বগী ফাগৎলবা মীওই অদুদি নিংথৌখোং প্রোজেক্ট গেটতগী অঙোম ধামেন (৪৫) কৌই। মঙোন্দগী ফাগৎখিবা পোৎলমশিং অদুদি ওল্ড মোঙ্ক - ৪৮, কিংফিসর ব্যির ২০, নোকফেৎ নোকফেৎ লোকেল লিকর ফুল - ৩০, এম সী, দোৱেল্স ক্বার্টর - ২০, এ ব্লেক হর্ব ক্বার্টর - ২০, অমসুং লোকল লিকর হাফ - ২০নি। ফাগৎলবা য়ুঙাঙ অমসুং য়ুডৌশিং অদু মফম অদুমক্তদা হৈদোক্তুনা মাঙহনখি।

হৌজিক হৌজিক ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা মফম কয়াদা ইলেক্সনগীদমক পূনবগী মিংদা শানৈ য়ুনৈবগী চাং হেনগৎলক্তুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোকপগী চাং ৱাংখৎলক্লি। লোয়ননা অশোক-অপন থোকপখক নত্তনা মীশি-মীনা ফাওবা য়াওনরকপগী পাউ কয়া অমসু তারি। মণিপুর লৈঙাক্লা হান্নদগী হৌনা লমদম অসিদা য়ু থিংনবা হোৎনদবা অদুগী মহৈনা ঙসি ইলেক্সন ময়াদা ইনলেক্সনগী মিংদা শানৈ-য়ুনৈবগী চাং হেনগৎলকপদগী হেন্দোক্তুনা মীশি-মীনানচিংবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং অসি থোক্লকপনি। মসি খুদিংমক্কী থৌদাং মণিপুর লৈঙাক্লা পুগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

## এক্সিদেন্টতা নুপা অমা শিরে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): হৌখিবা নোংমা-নীনি অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা গাড়ি এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীশি-মীনা লেপ্তুনা থোরক্লি। ঙসিসু চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুলজাং অমদি লোংপি খুলগী লোন্নবদা পোৎ-চৈ পুবা সক্তিমান ট্রক অমা লোকতা ওন্থদুনা গাড়ি অদুগী দ্রাইভর লাইকন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

চীংগী লম্বী ওইবনা লম্বী ফত্তবা অমদি নোং তাবদগী লৈনাংসু খরা থোকপনা মরম ওইদুনা গাড়িদুনা পোৎ-চৈ পুদুনা লাকপদা খঙহৌদনা গাড়ি চাকা অদু লোকলোম থংবা নাকলদা নাম্থখিবদগী গাড়ি ওনবদগী দ্রাইভর অদু য়ৈশিন্দুনা লাইকন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি।

থৌদোক থোকফম অদুদা মনাক নকপগী খুঞ্জাশিং চঙশিন্দুনা মহাকপু চিংথোক্তুনা কন্নবা হোৎনখি। অদুবু মহাক মফম অদুদা লাইকন্নবা ঙমদনা লৈখিদে হায়রি।

## পোক্সোগী মতাংদা নোংমগী লিগেল এৱ্যের্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): পোক্সো, এক্ট অমসুং অতোপ্পা লিগেল মেকানিজমগী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি রুমেন এক্সন ফোর দিভেলপমেন্ট (দব্লিয়ু এ দি)না নিংঙোম্বম আইদিএল য়ুথ ক্লবকা খুৎশম্নদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থৌবাল নিংঙোম্বমদা পাঙথোকখ্রে হায়না দব্লিয়ু এ দিগী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর সাইফু রিংনৈফুননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পাঙথোকখিবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি নুপী অমসুং অঙাংশিংগী মায়োক্তা ক্রাইম চথবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অমদি অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোকপগী চাং হন্থহন্নবগীদমক মীপুম খুদিংমক্লা খঙবা মথৌ তাবা লিগেল মেকানিজমশিংগী মতাংদা থৌবাল নিংঙোম্বমগী মীয়ামদা খঙহনবনি। প্রোগ্রাম অদুদা দব্লিয়ু এ দিগী সেক্রেটরি সোবিটা মংশাতাবম অমসুং নিংঙোম্বম আইদিএল য়ুথ ক্লবকী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংঙোম্বম অরুনকুমারনা দাইজ মেম্বরশিং অমসুং রিসোর্স পার্সনশিং ওইনা শরূক য়াখি। দব্লিয়ু এ দিগী সেক্রেটরি এম সোবিটানা নুপীশিংগী মায়োক্তা ক্রাইম থোক্লকপা মতমদা ভিক্টিম অদুদা সাইকোলোজিকেল সপোর্ট পীবা অমদি ষ্টিগমাটাইজ তৌহন্দনবগী মতাংদা খুন্নাইনা লৌগদবা থৌদাংগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। লোয়ননা চহী ১৮গী মখাদা লৈবা অঙাং নুপীমচা নৎত্রগা নুপামচা অমদা সেক্সুএল এসোল্ট চথরে খঙলকপা মতমদা মীওই অমনা পোক্সো এক্ট, ২০১২গী মতুংইন্না অনকপা পুলিস ষ্টেসন অমদা এপ্রোচ তৌবগী খোঙথাংশিংগী মতাংদসু থমখি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা খ্বাইদগী নক্লবা পুলিস ষ্টেসন অদুনা কমপ্লেইন লৌবিয়ু য়াদ্রগদি দি জি পিদা হকথেংননা রিপোর্ট তৌনবা পার্টিসিপেন্টশিংগী পুক্লিংসু চিংশিনখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা অসিগুম্বা ইস্যুশিং অসিগী মতাংদা এৱ্যের ওইবগী মথৌ তারিবা অসি নুপীশিংখক নত্তে, ঐখোয়গী ইচানুপাশিং, ইবুং-ইপ্পাশিং অমদি ইপাশিংদসুনি। মখোয়সু ইস্যু অসিবু মমুৎ তানা খঙবা মথৌ তাই। থৌরম অদুগী মরুওইবা টোপিক অমা ওইনা পোক্সো এক্টকী মরুওইবা মচাকশিংসু ময়ামদা খঙহনখি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা লোকেল য়ুথশিং, মখোয়গী মমা-মপাশিং অমসুং লমদম অদুগী মৈরা পাইবীশিংসু শরুক য়াখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## নেসনল এৱার্দি তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমিনা শীন্দুনা ন্যু দিল্লীদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বরদা পাঙথোকখিবা ৩৯শুবা নেসনল কনফরেন্স দলিট রাইটর্সকী থৌরমদা আর্টিষ্টকী লমদা ডা. অম্বেদকর ফেল্লোশিপ নেসনল এৱার্দ ২০২১ ফংলকখ্রবা মোইবুংখোংবম রোমিওবু মীয়াম্না হরাও তয়াম্না ওকপগী থৌরম অমা ৱাঙ্গু নোংয়াইখোংদা পাঙথোকখ্রে।

লাইনীং অমদি নাৎ কলচরগী ওইবা মীতৈ খুন্নাইগী লুহোং-খোংদোংবগী বোর-শেন্নবদা থোইদোক হেন্দোক্লা শীংথানিংঙাই ওইরবা ডা. অম্বেদকর ফেল্লোশিপ নেসনল এৱার্দ ২০২১ ফংলকখ্রবা মশাগী চহী ৩৭ লোমতা শুরিবা এম রোমিও ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সুগুনু এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ৱাঙ্গু নুংঙাই লৈকায়দগীনি। অপোকপগী মিংনা এম মোনো অদুগা অপোকপীগী মিংনা এম ওংবী ইবেথোই কৌই অমদি মহাক্কী লোয়নবীগী মিংনা এম ওংবী অপিলা কৌই।

রোমিওবু ওকপগী থৌরম অদুদা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এল শরট এলিয়জ তোনা মীতৈ, ৱার্দ মেম্বর ৱাই রাজেন, চাইরেল জি পিগী মেম্বর টি ঐচ নন্দো অমদি ৱাঙ্গু নোংয়াইখোংবম, নুংঙাই, সগোলাবী অমদি নুরাথেলনচিংবগী মীয়াম্না শরূক য়াখি। নেসনল এৱার্দি এম রোমিওনা এৱার্দ অসি ফংলকপদা য়াম্না হরাওবা অমদি নুংঙাইবা পোকই হায়রদুনা বোর শেন্নবগী লমদা তাকপী তম্বিরকখিবা কুম্বি এ সীগী খোইজুমানতাবীদগী ওজা দেবাননা হোৎনবিবা অমদি ইমুং মনুংগী মপান্দগী এৱার্দ অসি ফংলকপনি হায়খি। লোয়ননা, তুং কোইনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙম্বা ওইজগে হায়নসু ফোঙদোকখি।

## মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিং ওত্তুনা পুক্লিং থৌগৎখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): সিনিয়র সিটিজন্স য়াইরিপোক টোপ-চিংথানা শিন্দুনা নেসনল ইলিজিবিলিটি কম ইন্ট্রান্স টেষ্ট (এন ঈ ঈ টি) এগজামিনেসনশিংদা মায় পাক্লকখ্রবা লৈকায় অসিগী মহৈরোয়শিংবু হরাও তয়াম্না ওত্তুনা পুক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অমা ঙসি য়াইরিপোক টোপ-চিংথা কুথবী টি ৱাই পি ও গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

মহৈরোয়শিং ওকপগী থৌরম অদুদা তুলিহল জিল্লা পরিষদকী জি পি মেম্বর কোংবম ইনাওচা দেবীনা অথোইবা মীথুং, টোপ-চিংথা য়ুথ প্রোগ্রেসিভ ওর্গজাইজেসন (টিৱাইপিও)গী প্রসিদেন্ট পাঙম্বম অরুনকুমারনা থৌরম মপু অদুগা টোপ-চিংথা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান য়ুম্নাম তোম্বা, এম সী এস ওফিসর কৈশাম বিজু, মেদিকেল ওফিসর অমোম জোটিনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এন ঈ ঈ টি-২০১৬তা ৬৪শুবা রেঙ্ক তাখিবী টোপ-চিংথা কোংবম লৈরক্তগী য়ুম্নাম অনন্দি, এন ঈ ঈ টি-২০২০দা ১৯শুবা রেঙ্কতা লাকখিবা টোপ-চিংথা লাইকোনদগী কোরিময়ুম ফির্দোজ, এন ঈ ঈ টি-২০২১দা ১২শুবা রেঙ্কতা লাকখিবী টোপ-চিংথাদগী রোমিতা খুমন্থেমবু শীনলি-লাঙলিবশিং অমদি ক্লবগী মায়কৈদগী মোমেন্তো অমসুং লেংয়ান ফি খুদোল তল্লগা হরাও তয়াম্না ওত্তুনা পুক্লিং থৌগৎখি।

## তোর্বান নমথখিবা শেমজিনবিদ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): শিংজমৈ থোংখোঙগী মনীং থংবা নাকল শিংজমৈ চিরোম লৈকায় মপাগী তোর্বান হৌখিবা থা অনীগী মমাঙদা খঙহৌদনা তুরেলগী লৈরায় নমথখিবদগী হৌজিক ফাওবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা শেমজিনবিদবদগী মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন্দা অমদি দুকান ফম্লিবশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে।

হৌজিক তোর্বান নমথরিবা এরিয়া অসি শিংজমৈ কৈথেলগী মীয়াম্না পোৎ-চৈ লৈবা লাকপদা চৎথোক চৎশিনগী য়াম্না মরু ওইবা লম্বী অমসু ওইরিবনি। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা লম্বী অসি চাং মান্ননা থোনবিনবা খুঞ্জাশিংনা খঙহল্লক্লি।

## ট্রেদিসনেল ফোক দান্স অমদি সোং ফেষ্টিভেল পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর নোর্থ সেন্ট্রেল জোন সেন্টর, অল্লাহবাদগী স্পোন্সরশিপ মখাদা এল্লাইদ সাইন্সেস এন্দ কলচরেল দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন পোইরৌখোংজিননা শীন্দুনা মেগা ট্রেদিসনেল ফোক দান্স অমদি সোং ফেষ্টিভেল অমা থা অসিগী ১৪দা ইম্ফাল ইষ্টকী পোইরৌখোংজিনদা লৈবা ৱেষ্টর্ন য়ুথ ক্লবকী প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

য়ুনিটি এন্দ ইন্টিগ্রিটি হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা মেগা ফেষ্টিভেল অদুদা টুলিহল জি পিগী জিলা পরিষদ মেম্বর কোংবম ইনাউচানা অথোইবা মীথুং, হুইয়েন লাংলোন মণিপুর থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন মণিপুরগী দিরেক্টর সঙ্গীৎ নাতক একাদেমি এৱার্দি কে সনাথোইবা শর্ম্মানা থৌরম মপু অমদি টুলিহল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এম দি অবদুল খালিকনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংগী ৱারোলদা জি পি মেম্বর ইনাওচা দেবীনা মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ কাঙলুপ খুদিংমকম্কী মশা মশাগী চৎনবী ফিজেৎ লৈতেং, ট্রেদিসনেল ফোক সোং অমসুং দান্সশিং লৈজে। মসিবু মাঙখিদনবা কাঙলুপ ফুরুপ খুদিংনা ঙাক্তুনা থমগদবনি হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা কে সনাথোইবনা ফোঙদোকখিবদা, মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরনা স্পোন্সর তৌরগা এল্লাইদ সাইন্স এন্দ কলচরেল দিভেলপমেন্টে ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা মেগা ফোক সোং এন্দ ফেষ্টিভেল অসিদা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কাঙলুপ কয়ানা পুন্না শরুক য়াবিবা হায়বসি য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটি পুরক্লবগী মচাক অমনি। কলচরনসু য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটি শাগৎপদা চাউরবা থৌদাং কয়া লৌরি। তাঙ্খুল, কবুই, মরিংগী জগোয়শিংগী মওংশিংগা থাঙ-তাগী মওংশিংগা মরী লৈনবা কয়া য়াওরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা তাঙ্খুল, চিরু, মরিং, অনাল, চোথে, কবুই অমসুং মীতৈগী কলচরেল ট্রুপশিংনা শরুক য়াখিবা ফেষ্টিভেল অদুগী লোইশিল্লকপদা মণিপুরদা য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটি পুরক্লবগীদমক শরুক য়াখিবা কাঙলুপ খুদিংমক্লা পুন্না জগোয় শামিন্নখি।